এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# এ কে এস দি ওনা নাপসাগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজগ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা এ কে এস দি ও খাঙবোকনা এন সী এ নিংথৌখোংবু ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।



মায় পাকখিবা এ কে এস দি ও খাঙবোকনা নাপসা খা-ইম্ফালগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা এন সী এ নিংথৌখোংনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৪.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ১২৮ লৌবা ঙমখি।

নিংথৌখোংগী বেটসমেন রোশন কোন্থৌজমনা বোল ১০৪দা রন ৭৬ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা শান্নরোয় ওইখি। অঙোম রোবিনহুদনা বোল ১৮দা রন ১২ অদুগা সিনোজ খ্বাইরাকপমনা বোল ৩৩দা রন ১০ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা খাঙবোক্কী বোলর সাইখোম কাইকুনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৪, রোশন লাইশ্রমনা ওভর ৭.১ লংবদা ৱিকেট ৩ অদুগা অকাশ লাইশ্রম, লাইশ্রম রোহিট অমদি লাইশ্রম নিরজনা ওভর ৫/৫ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা এ কে এস দি ও খাঙবোকনা ওভর ৩৪.১দা ৱিকেট ৯ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা নিংথৌখোং টিমবু ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

খাঙবোক টিমগী অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ৱিনচেলি লাইশ্রমনা বোল ৪৮ অদুগা বিশ্বরজিৎ মঙাংনা বোল ৭২দা চপ মান্নবা রন ৩৪/৩৪ লৌবা ঙমখি। ইঙোবীনা বোল ১৭তা রন ১১ অমদি লাইশ্রম সেমসননা বোল ১৭তা রন ৬ লৌবা ঙমখি।

নিংথৌখোংগী অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিংদা চৌরজিৎ আর কে অমদি সুশিল মোইরাংথেমনা ওভর ৮/৮ অদুগা এল সদানন্দনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি। সিনোজ খ্বাইরাকপমনা ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিদা এন সী এগী রোশন কোন্থৌজম অদুগা খাঙবোক টিমগী ৱিনচেলি লাইশ্রম অমদি বিশ্বরজিৎ মঙাংনা বেটসমেনগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি। বোলিংগী ওইনা খাঙবোক্কী সাইখোম কাইকু, রোশন লাইশ্রম অমদি এন সী এগী সুশিল মোইরাংথেমনা ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

এস এ এফ এফ য়ু-২০ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ ঙসি হৌরগনি

# ইন্দিয়া অমদি ভুটান অহৌবা মেটচতা শান্নরগনি

ধাকা, ফেব্রুৱারী ২ (এজেন্সী): বাংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এস এ এফ এফ অন্দর-২০ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ থা অসিগী ৩ ইরাই নুমিৎতা বির শেরেস্থা শাহিদ শিপাহি মোষ্টাফা কমল ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি। অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়া অমদি ভুটান অনীনা লম্বা তৌনরগনি।



চেম্পিয়নশিপ অসিদা লৈবাক মরি- বাংলাদেশ, ইন্দিয়া, নেপাল অমদি ভুটাননা শরুক য়ারি। ইন্দিয়ানা য়ূম্বু বাংলাদেশকা থা অসিগী ৫দা অদুগা নেপালগা থা অসিগী ৭তা শান্নরগনি।

ইন্দিয়ন ৱিমেন্স টিম অসিদা মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপদা শরুক য়ারুরবী শান্নরোয়শিং অমদি সিনিয়র শান্নরোয়শিং পূনশিন্দুনা শেম্বনি।

মেটচকী মাংওইননা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ইন্দিয়াগী হেদ কোচ মেমোল রোকিনা ফোঙদোকখিবদা, স্কৱাদতা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিং অমদি নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং পূনশিন্দুনা শেম্বা অসি য়াম্নমক মথৌ তাই।

ঐখোয়গী টিম অসিসু নহা ওইরিবা অমদি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিং পূনশিন্দুনা শেম্বনি। শান্নরোয়শিংগী মরক্তা সিনিয়র লেভেলদা শান্নরুরবশিংসু য়াওরি। ঐনা থাজে ঐখোয়গী নুপীমচাশিংনা মখোয়গী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং শোয়দনা পীরক্কনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ওপোজিসন টিমগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা ভুটান অমদি নেপাল অফবা টিমশিং ওইরি। বাংলাদেশসু হৌখিবা চহী খরা অসিদা ফজনা শান্নরি। অদুবু ঐখোয়না ফজবা শোটশিং পীবা ঙল্লবদি খূদোংথীবশিং লায়না লাকশিনবা ঙমগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মার্টিনা থোকচোমনা ফোঙদোকখিবদা, সিনিয়র প্লেয়রশিংগা পূন্না কেম্প পাঙথোকমিন্নবনা খূদোংচাবা কয়া ফংই। ঐখোয় জুনিয়র টিম ওইজরবসু সিনিয়রশিংগা পূন্না কেম্প পাঙথোকমিন্নবনা ঐখোয়দা কান্নবা কয়া অমা ফংবদা নৎতনা নৌনা য়াওরক্লিবা শান্নরোয়শিংগী ওইনসু অফবা লর্নিং এক্সপরিয়েন্স অমা শোয়দনা ফংলমগনি হায়খি।

য়াইস্কুল দে এন্দ নাইট ফুটবোল

# লৈকাই এফ সী সেমীফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২ (ঐচএনএস): ব্রহ্মপুর সোসল ক্লব (বি এস সী)না শীন্দুনা ব্রহ্মপুর লালজি লাকপা লৈকাইদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইবা দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা লৈকাই এফ সীনা নোকফদে এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখিবা লৈকাই এফ সীনা ব্রহ্মপুর সোসল ক্লব (বি এস সী)গা থা অসিগী ৩গী নুমিদাং পুং ৫.৪৫দা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা নুমিৎ অসিগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দা গোল্ডন ফুটবোল একাদেমি (জি এফ এ) অমদি এ এস এ অকাম্পাৎ অনীনা অহানবা সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি।

বি এস সী গ্রাউন্দদা ঙসি লৈকাই এফ সী অমদি নোকফদে এফ সী অনীনা শান্নখিবা মেটচতা দিপুরনা শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা লৈকাই এফ সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। রোহিটনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা লৈকাই এফ সীগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনশিন্দুনা নোকফদে এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

# এ এফ সীনা তেকচম রঞ্জিতা খল্লক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২ (ঐচএনএস): কির্জিক রিপব্লিককী বিসকেকতা মার্চ ৩দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী অন্দর-২০ ৱিমেন্স এসিয়ন কপ উজবেকিস্থান ২০২৪- ক্বালিফায়র রাউন্দ ১গী রেফরি ওইনবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সী)না ষ্টেটকী এসিষ্টেন্ট ফিফা রেফরি তেকচম রঞ্জিতাবু খল্লক্লে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।



# চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল ফেব্রুৱারী ৫দগী হৌরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন (এম ভি এফ এ) মপাল কাংজেবুংনা শীন্দুনা ২২শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩ থা অসিগী ৫গী নুংথিল পুং ২দগী হৌদুনা মালোমগী ৱাই দল্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচতা গ্রুপ দিগী এ এফ এফ সী হৈঙাং অমদি কৈশামথোং এফ সী অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১৬না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

গ্রুপ এদা ভি এফ সী কক্ৱা, চীং-তম সঙাকফম, এম পি এস সী ভেটরান, আর এফ সী খম্নাম লৈরক; গ্রুপ বিদা টি বি এস এফ এ তৌবুংখোক, টি আর ভি এস এ মালোম, ভি এফ সী থৌবাল, অম্বা চৈরাপ কোর্ট; গ্রুপ সীদা লংথবাল এফ সী, ভসাই থাংমৈবন্দ, য়ু ভি এস এ লিলোং চজিং, বি দি ভি এফ এ বিষ্ণুপুর; গ্রুপ দিদা কৈশামথোং এফ সী, ৯ এ এম য়াইস্কুল রেঞ্জ, এফ সী ইম্ফাল অমদি এ এফ এফ সী হৈঙাংনা শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা পাৎসোইগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেন, হান্নগী মিনিষ্টর লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারনা থৌরম মপূ অমদি ৱাঙ্খেগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

হিরো আই লীগ

# সুদেভা দেল্লীনা রাজস্থান য়ুনাইটেদ মায়থীবা পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২ (এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি রাজস্থানগী অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সুদেভা দেল্লী এফ সীনা রাজস্থান য়ুনাইটেদপু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

সুদেভা দেল্লীগী ঙসিগী ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা লীগ অসিগী অহানবা মায় পাকপা ওইরি। হৌজিক ফাওবদা পূন্না মেটচ ১৩ শান্নবদা ১ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা ১০ মায়থীরগা পোইন্ট ৫ ফংদুনা টেবলগী ইরোই লোইবা মফমদা লৈরি। রাজস্থান য়ুনাইটেদনা পূন্না মেটচ ১৪ শান্নবদা ৫ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো ওইদুনা অমদি ৬ মায়থীদুনা পোইন্ট ১৮ ফংলগা টেবলগী ৮শুবা মফমদা লৈরি।

অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সুদেভা দেল্লীগী সৈলেম্থাং লোটজেমনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা সুগদিপ সিংহনা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। এলেসিস নাহুল গোমেজনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা সুদেভা দেল্লীগী অনীশুবা গোল চনখি। শাভকাটি হোটমনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

রাজস্থান য়ুনাইটেদকী অনীশুবা গোল অদুনা অতাই ঝুমাসেভনা শান্নবগী ৩১দা চনখি।

# ষ্টেট ভেটরান বেদমিন্টন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২ (ঐচএনএস): মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসন (এম বি এ)না শীন্দুনা ৬৫ শুবা ষ্টেট ভেটরান বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২২-২৩ দি এম য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈবা এম বি এ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৩দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপা অমদি নুপীগী তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলূপশিং চহী ৩৫ মথক, ৪০ মথক, ৪৫ মথক, ৫০ মথক, ৫৫ মথক, ৬০ মথক, ৬৫ মথক, ৭০ মথক অমদি ৭৫ মথক হায়না মাপন থোক্লা খায়দোক্কনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ৮গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা ওইগনি হায়না টুর্নামেন্ট কম্মিটিগী কনভিনর এ কে প্রদিপকুমারনা খঙহল্লক্লি।

# ফেন্সিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২ (ঐচএনএস): উজবেকিস্থানগী টাস্কেন্টতা মার্চ ২দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন কেদেট ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ অমদি বলগেরিয়াগী প্লোভদিভদা এপ্রিল ১দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কেদেট ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ফেন্সিং এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫ অমদি ১৬তা ন্যু দেল্লীগী পোর্থ খুর্দতা লৈবা জি টি ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম কুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট গভর্ণর কপ ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা মেদল ফংলকখ্রবা ফেন্সরশিংনা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম কুমারদা থা অসিগী ৫ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।


# রাঞ্জি ট্রোফি টিম তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২ (ঐচএনএস): হন্দক্তা বিহারনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা রাঞ্জি ট্রোফি প্লেট টুর্নামেন্টতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারুরবা শান্নরোয়শিং ঙসি মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা ওকপগী থৌরম অমা চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেগী ইম্পরিএল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ষ্টেট টিমগী কোচ, সপোর্ট ষ্টাফ, কেপ্টেন, ভাইস কেপ্টেন অমদি সিনিয়র মেন্স সেলেক্টরশিংগা লোয়ননা ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমদি মেন্স ক্রিকেট কম্মিটিগী ওইবা রিভিয়ু মীটিং অমসু পাঙথোকখি।

GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
G ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012
BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA
Many Students were certified and eligible for applying Job
Online or Offline Class Available
Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job
ENROLL NOW
Timing :- 5:30 am, 7:00 am, 9:00 am, 4:00 pm
Computer Course
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.
Admission Open for Jan/Feb 2023
Spoken English
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking, Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)
For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com
HL-B/7933/4/12-3/02

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 705

Vivien Webster (1706) - Fernando Echavarria Hidalgo (1765)
Hull 4NCL International Congress Canham Turner Centre, 2022.10.15

1.d4 Nf6 2.c4 g6 3.Nc3 Bg7 4.e4 d6 5.Be2 O-O 6.Nf3 Bg4 7.h3 Bxf3 8.Bxf3 Nc6 9.Be3 Re8 10.a3 a6 11.h4 h5 12.g4 hxg4 13.Bxg4 Nxg4 14.Qxg4 Nxd4 15.Bxd4 Bxd4 16.h5 Qc8 17.Qg2 Qe6 18.hxg6 Bxc3+ 19.bxc3 Qxg6 20.Qh2 Qxe4+ 21.Kd2 f6 22.Rag1+ Kf7 23.Qh5+ Kf8 24.Qh6+ Kf7 25.Qg7+ Ke6 26.Re1 Qxe1+ 27.Rxe1+ Kd7 28.Qf7 c5 29.Qe6+ Kc7 30.a4 a5 31.Rg1 Rad8 32.Rg7 Rd7 33.Rf7 Kd8 34.Rg7 Kc7 35.Ke3 Kd8 36.f4 Kc7 37.Ke4 Kd8 38.Rg1 Kc7 39.Rb1 Rb8 40.Rb5 b6 41.Rb1 Rb7 42.Rg1 Kb8 43.Rg8+ Ka7 44.Re8 Rbc7 45.Kf5 Ka6 46.Kg6 Ra7 47.f5 Rac7 48.Kf7 Ra7 49.Ra8 Rdc7 50.Rxa7+ Kxa7 51.Qxe7 Rxe7+ 52.Kxe7 b5 53. ...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 704 Ans. :**
3. Nf3 The white knight clears the way for White's bishop to the square c5. Qxg6 4. Ne5 Qe4+ 5. Kg1
5. ...Re8 6. g6 Kg8 7. Qxh7+ The white queen attacks Black's king, which is defending the square h8. Kf8
8. Bc5+ Re7 9. Qh8#
1-0

SHEMROCK KIDS GARDEN
for a ROCK-Solid Foundation
Ayangpalli Road, Porompat
POST VACANCIES
Shemrock Kids Garden invites applications from eligible persons for filling up the following post: -

| Sl. No. | Name of Post | Vacancies | Qualification | Experience Requiement |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Administrator | 1 | M.A in Edn. Planning & Adm., B. ed. | Min. of 3/4 years' experience |
| 2 | Admission Councellor | 2 | Graduate-preferably Diploma in Hospitality Managements | Min. of 1 years' experience |
| 3 | Floor Manager | 1 | Bachelor in Hospitality Management | Min. of 1 years' experience |
| 4 | Rhyme Teacher | 3 | Rhyme Training or D.El. Ed | Preferably 1 yr. experience |
| 5 | Primary Teacher | 6 | B. Ed | Preferably 1 yr. experience |
| 6 | Caretaker | 6 | 10th or 12th passed | Fresher can apply |
| 7 | Mother | 4 | VIII passed and above | Min. of 1 years' experience |
| 8 | Security In-charge | 1 | XII and above | 5-7 yrs - preferably Ex-serviceman |
| 9 | Transport In-charge | 1 | X and above | 5-7 yrs preferably Male |

*** SALARY FOR ALL THE ABOVE POST ARE NEGOTIABLE ***
1. The number of vacancies may vary as per requirements at the time of selection.
2. The school authority reserves the right to change the number of posts or not to fill up any of the post advertised.
3. The following are the documents to be submitted through
WhatsApp : 9555164521 or Email at : hr@meeteicpl.com
a. Latest Resume
b. Recent Passport Photo
b. Experience certificate (if any)
c. Educational Qualification Certificate
c. Identity proof Aadhaar or Pan Card
d. Last date of Document submission on 06-02-2023
Date of Interview 08th February, 2023
HL-P/5851/1,2,3

LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | G.M / Manager | Graduate + 3yrs exp. | 2+2 | Negotiable | 30-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |

L.G. MOTORS FINANCE
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.30PM
HL-P/5805/2/26/1-1/3(alt)
HL-P/7975/12

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSE for CLASS -IX & X (BOSEM)
17th February, 2023
4:00pm-7:30pm
Faculty members for class X
Physics SIR SYAMSUNDAR Regular English H/S
Chemistry MADAM SUSIMA Lee Faith School
Biology MAAM SHANTIBALA(Retd.) Nirmalabas High School
Mathematics SIR IBUNGO St. Savio Hr. Sec. School
English SIR DHIREN Regular English H/S
History SIR SEITYAJIT Tiny tot's Unique School
Geography SIR SURESH Former Teacher: Diviner English School
Manipuri SIR ROBINDRO R.M. School
Mathematics SIR SHYAM R.M. School
English SIR THOMAS Heritage Convent
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com